# ট্রেলব্লেজর্সনা সুপরনোভাসপু রন ১৬তা থোইদুনা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ লৌখ্রে




সর্জা, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
যুনাইটেদ অরব এমেরেট্সতা পাঙথোকপা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি সর্জা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ট্রেলব্লেজর্সনা সুপরনোভাসপু রন ১৬তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস সুপরনোভাসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ট্রেলব্লেজর্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১১৮ লৌরমখি। ট্রেলব্লেজর্সগী মায়কৈদগী কেপ্টেন স্মৃটিনা বোল ৪৯দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৬৮ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী ওপনর দোটিননা বোল ৩২দা রন ২০ লৌরম্বা অমদি রিচা ঘোশনা রন ১০ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই।

সুপরনোভাসকী মায়কৈদগী বোলর রাধা য়াদবনা ট্রেলব্লেজর্সকী বেটসমেন মঙা মহাক্না লংখিবা ওভর ৪দা শুপ্নগী রন ১৬ পীরগা আউট তাহনখিবা অদুনা য়াম্না চাওবা মরম অমা ওইদুনা ট্রেলব্লেজর্সকী মায়কৈদগী অপূনবা রন অদু শুপ্নগী ১১৮খক লৈহনখিবনি। মহাক্না আউট তাহনখিবা ট্রেলব্লেজর্সকী বেটসমেন অদু রিচা ঘোশ খক্তমক রন ১০ য়ৌরগা অতোপ্পা মরি অদুদি রন ১০ য়ৌহন্দনা আউট তাহনখি।

সুপরনোভাসনা ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১১৯ লৌনবা হোৎনরকপদা মখোয়সু ফীভম শোকখি। ওপনর চামারি অটাপাথু শুপ্নগী রন ৬তা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা টানিয়া ভাটিয়া অমদি জেমিমা রোদ্রিগেজনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ৩০ য়ৌহল্লকখি। টানিয়া রন ১৪দা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন হর্মনপ্রিট কোর শান্নবা চঙলকখি।

রোদ্রিগেজ রন ১৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অদুদা সুপরনোভাসকী অপূনবা স্কোর ৩৭খক লৈখি। মখা তানা মঙাশুবা বেটসমেন সসিকালা সিরিৱাদানে অমসুং কোরনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৩৭ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর ৭৪ য়ৌরকখি। অদুবু মখা তাবা রন হাপ্পা ঙমদ্রিঙৈ সসিকালা রন ১৯দা আউট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা অনুজা পটেল অমদি কোরনা ইন্নিংস শেমগৎলকপা অদু অপূনবা স্কোর ৭৩দা কায়খি। অনুজা রন ৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ পুজা শান্নবা চঙলকখি। কেপ্টেন হর্মনপ্রিট কোর রন ৩০ য়ৌরকপদা আউট ওইদুনা টিম অদুগী ফীভম শোকপা হেঞ্জিনখি। পুজাসু রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। রাধা য়াদব অমসুং সকিরানা আউট ওইদ্রবসু ইন্নিংস অদু রন ১০২দা লোইশিনবদগী মখোয় মায়থীবা নংখি।

# 'থৱায় য়াওবশিংদা মতেং পাংবা ঐখোয়গী ইথৌনি'



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
কুমজা ২০১৮দা ন্যু দিল্লিগী ষ্টেট সাইকল চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবা লোয়নন্না সাইক্লিং অদু মখা তানা চথুনবগীদমক হোটেলদা থবক তৌবা নহা ওইরিবা রিয়াজ, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ট্রেনী অমা ওইনা লৌশিল্লগনি। মসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা টেলেন্ট লৈবা অমদি থৱায় য়াওবা শান্নরোয়শিং মতেং পাংবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৬শুরবা রিয়াজ গাজিয়াবাদতা লৈবা হোটেলদা থবক তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মখা তানা থবক তৌবা ঙমখিদবনি। অদুবু মহাক ইকুই কুইদনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা ট্রেনী অমা ওইনা শরুক য়ারগনি।

ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মহাক্কী ট্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকপদা রিয়াজ এস এ আইগী ট্রেনী অমা থুনা ওইরগনি খঙবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। নীংশিংবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা নহা ওইরিবা রিয়াজপু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ইদ মনুংদা সাইকল অমা খূদোল তমখিবনি। হন্দক লাক্কদৌরিবা দিৱালি অসি লোইরগা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা লৈবা ভেলোদ্রোমদা ট্রেনিং হৌরগনি।

# রিয়াল কাশ্মীর এফ সীগী চ্যেরমেন ফুটবোলগী মতাংদা য়ু এন সিম্পোজিয়ম য়াওরগনি



স্রিনগর, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ নেসন্স এন্দ ফুটবোল ফোর পিছ হায়না মিংথোনবা য়ুঠ স্পোর্টস মুভমেন্ট অসিনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা 'অনলোক্কিং দি পাৱর ওফ ফুটবোল' হায়বা ওনলাইন সিম্পোজিয়ম অদুদা রিয়াল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবকী চ্যেরমেন সন্দিপ ছাতু শরুক য়াগদৌরি।

সিম্পোজিয়ম অসি মমিং লৈরবা টেলিভিজন প্রজেন্টর হেলি মেক্কিননা হোষ্ট ওইগদৌরি। ছাতুগী টিম ওইরিবা রিয়াল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লব অসি চহী খরা অসিদা খুমাং য়াম্না চাওশিনবা ঙম্বা ক্লব অমা ওইরিবনি। মহাক্না মালেমগী লুচিংবশিংগা লোয়নন্না ফুটবোলদা মমিং লৈরবা লেজেন্দ-শিংগা ৱারী শানমিন্নগদৌরিবনি।

সিম্পোজিয়ম অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওই খরগী মনুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ওফ কাউন্টর টেররিজমগী অন্দর জেনরেল সেক্রেটরি ব্লাদিমির বোরোনকোব, য়ুনাইটেদ নেসন্সতা কাটারগী পর্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরিবা সাইকা আলিয়া অহমদ বিন সেফ অলথানি, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটকী ব্যুরো ওফ কাউন্টর টেররিজমগী খৃষ্টোফর কে হার্নিশ, মমিং লৈরবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদগী লেজেন্দ দ্বাইট য়োর্ক অমসুং রিয়াল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় কাশিফ সিদিকিনি।

রিয়াল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা চেরোল অমদা চ্যেরমেন সন্দিপ ছাতুনা সিম্পোজিয়ম অদুদা 'দি রোল ওফ ফুটবোল ইন প্রিভেন্টিং এন্দ কাউন্টরিং ভাইয়লেন্স' হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাংগনি। মহাক্না জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লৈরিবা টেররিজমগী ঈরাং মরক অদুদা ফুটবোলগী মতেংনা মফম অদুদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবা অমসুং নহা ওইরিবশিং অদুবু পূনশিন্দুনা অফবা লম্বেল অমা ওইনা শান্নবদা পূক্নিং চঙহনবগী থবক পায়খৎলকখি।

নহা ওইরিবা অঙাংশিংগীদমক্তা করিগুম্বা খরা লৌখৎপগী খোঙথাং অদুগী ৱাখল্লোনদা মহাক্কী ক্লব রিয়াল কাশ্মীরনা হৌজিক ফাওবদা পাঙথোরকখিবশিং অসি সাউথ এসিয়া পুম্বদা খঙনরবনি। মালেমগী মমিং লৈরবা লূপশিং, ফিফা, য়ুঈএফএ, এম এল এস, এন এফ এল অমদি এন এফ এল পি এগী মীহুৎশিংসু সিম্পোজিয়ম অদুদা শরুক য়াগদৌরি। ফুটবোল মশান্নন্না ভাইয়লেন্স থিংবগী হীরমদা নৈনগদৌরিবনি।

# রিয়াল মাদ্রিদ ভেলেন্সিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীখ্রে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

রিয়াল মাদ্রিদকী টিম অসি হান্না শান্নখিবা মেটচ ৭তা মেটচ ৫ মায়পাক্লগা মেটচ অমা দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। অমরোমদা ভেলেন্সিয়াগী টিম অদুনা মমাংদা মেটচ ৮ শান্নবা লোয়শিনখিবদা ২ মায়পাক্লগা মেটচ ৩ মায়থীবা নংলবা মতুং মেটচ অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। ঙসি মায়পাকখিবা থারগা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ৯শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী মার্সেলোনা পীরকপা বোল অমদা করিম বেঞ্জিমানা চন্দুনা ১-০দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী কার্লোস সোলরনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

৪৩শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী শান্নরোয় রাফেল ভরানেনা শোয়বদগী কাওশিনখিবা বোলনা ভেলেন্সিয়াগী ২শুবা পাঞ্জল ওইহনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনটত ১০ ফাদ্রিঙৈদা কার্লোস সোলরনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুগা মহাক্না অমুক্কা হন্না শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ভেলেন্সিয়ানা রিয়াল মাদ্রিদপু ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা রিয়াল সোসাইদেদনা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা মেটচ ৯দা পোইন্ট ২০ ফংলগা মখা তানা মাংজিল থারি।

# লেষ্টরনা ৱান্দরর্স ১-০দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবেল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লেষ্টর সিটিনা ৱোলভরহেম্পটন ৱান্দরর্সপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১৮ ফংলগা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

লেষ্টর সিটি হান্না মেটচ ৭ শান্নবা লোয়শিনখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী জেমি ভার্দিনা ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

ৱোলভরহেম্পটন ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকপা পুম্নমক লেষ্টর সিটিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিবা শান্নবা ঙমখিবদগী কান্নবা ফংখিদে। মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা লেষ্টরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা ভার্দিনা মাঙজখিবদগী পাঞ্জল হেনগৎপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা অতোপ্পা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লেষ্টরনা ১-০দা থোইখি।

ঙরাংগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী মুহম্মদ সলানা ১৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগীনা গেব্রিয়ল জিজসনা ৩১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অর্সনেলবু এষ্টোন ভিলানা পাঞ্জল ৩-০দা য়াম্না হেন্না থোইবা ঙমখি। অর্সনেলগী বুকায়ো থকচিনখিবা পাঞ্জলনা ভিলাগী অহানবা ওইখি। অদুগা ৱেটকিন্সনা অতোপ্পা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

# বেয়র লেভরকুসেন্না বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাদবাগ পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখ্রে

বর্লিন, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
জর্মনিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী নম্বর ৱান ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেয়র লেভরকুসেন্না বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাদবাগপু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখ্রে। মায়পাকপা অদুনা টিম অদু হান্না ৫শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ৪শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাদবাগকী মায়কৈদগী ১৮শুবা মিনটতা লার্স ষ্টিন্দলনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মতম ইকান কান্নদনা বেয়র লেভরকুসেনগী মায়কৈদগী লুকাস অলারিওনা টিমমেট মোসা দিয়াবীনা পীরকপা বোল অমদা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মতম ইকান কান্নদনা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাদবাগকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লার্স ষ্টিন্দলনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা লেভরকুসেনবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবদা লেভরকুসেনগী লুকাস অলারিওনা ৪১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা বেয়র লেভরকুসেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী থংননা চনশিনবা ঙমখি। ৬৮শুবা মিনটতা লিওন বেলিনা টিমমেট মোসা দিয়াবীগী বোলদা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৮২শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী জলিয়ন বোমগার্টলিঙ্গরনা নাদিম অমিরিগী পাস অমদা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু বোরুসিয়াগী শান্নরোয় ভেলেন্টিনো লজারোনা ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱোল্ফসবর্গনা হোফেনহেমবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। ৱোল্ফবর্গকী মায়কৈদগী রেটানো অমসুং ৱেগহোর্ষ্টনা অদুগা হোফেনহেমগীনা সার্গিসনা চনখি।

# এসি মিলাননা হেল্লাস ভেরোনাগা ২-২দা দ্রো চৎলবসু মাংজিল থারি

রোম, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
এসি মিলাননা হেল্লাস ভেরোনাগী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎলবসু ইটালিগী সেরি এগী লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেরি এগী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসি মিলান অমসুং হেল্লাস ভেরোনা লম্বা তৌনরকখি। ৬শুবা মিনটতা হেল্লাস ভেরোনাগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না এন্টোনিন বরাকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। টিম অদুনা মখাতানা চথুরকপা এটেক অমদা এসি মিলানগী দিফেন্দর দেবিদ কলাব্রিয়াদগী থকচিনখিবদুনা হেল্লাস ভেরোনাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা এসি মিলানগী মায়কৈদগী ২৭শুবা মিনটতা হেল্লাস ভেরোনাগী গোল তম্না কাওশিল্লকপা বোল অমা দিফেন্দর জিয়ানজিয়াকোমোদগী থকচিন্দুনা মিলানগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

৬৫শুবা মিনটতা এসি মিলানগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়ারবা খুদোংচাবা অমা ইব্রাহিমোবিসনা পেনাল্টি অমা মিস তৌখিবদগী মাঙজখি। মেচকী ৯০শুবা মিনটতসু মিলানগী মায়কৈদগী দেবিদ কলাব্রিয়ানা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা সোট অমসু মাঙজখি। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমদা এসি মিলানগী মায়কৈদগী পেনাল্টি মিস তৌখিবা ইব্রাহিমোবিসনা টিমমেট দিয়াজনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখিবদগী পোইন্ট মাঙজরম্বা য়াবা অদু হেল্লাস ভেরোনাগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন য়ুভেন্টস অমসুং লাজিও পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। অদুগা রোমানা জেনোৱাবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখি। এসি মিলাননা মেটচ ৭তা পোইন্ট ১৭ ফংলগা টিম ২০গী লম্বা অসিদা পোইন্ট মাঙজিল থারি। সাসুলোনা চপ মান্নবা মেটচতা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি য়াওবনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী পাঙ্গল মশক খঙগনি : সুমিট



বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমগী মিদ ফিল্ডর ওইরিবা সুমিটনা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহীগী মার্চ থাগী অঙনবা শরুক্তা বাংলাদেশনা য়ূম্বু ওইরগা ধাকা সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোকি টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মতম শাংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা কম্পিটিসদা শরুক য়াখিদবা অদু হন্দক্কী মতাং অসিদা টিম অসিগী পাঙ্গল মশক খঙবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং হোকি ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং অসিগী স্কিলশিং অদু মাঙহন্দনবগীদমক বাইও সেফটি ওইবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা থমদুনা ট্রেনিং মখা চথুরিবা অসিনা য়াম্না লাইবক ফবা অমা ওইখি। এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিগী ফীভম করম্বা মওংদা লৈরি। লোয়নন্না করম-করম্বা হীরমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা অদু খঙদোকপা ঙমগনি হায়খি। মসিনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ানবা শেম শারকপদা কান্নবা অমা ওইরগনি হায়না কুমজা ২০১৬তা জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা সুমিটনা থমখি।

সুমিট মশামক হৌখিবা চহীদা খূজেং শোকপদগী মরু ওইবা টুর্নামেন্ট কয়া অমা য়াওবা ঙমখিদ্রবনি। মহাক চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াগী টিমদা খল্লক্তুনা মশাগী অশোকপা অদু মপূং ফানা ফরবা মতুং টিমদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা টিম অসিনা শান্নবা খূদিংমক মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

# লিওননা সেন্ট ইটিয়নবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ৫শুবদা লৈখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
লিওন ফুটবোল ক্লবনা সেন্ট ইটিয়নবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পূংখাই অমা হেন্না শান্নবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। ৪০শুবা মিনটতা সেন্ট ইটিয়নগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা লিওনগী দিফেন্দর এন্টোনি লোপেজনা শোয়বদগী থকচিনখিবা বোল অদুনা সেন্ট ইটিয়নগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অদুনা লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপগা লিওনগী টিনো কাদেৱেরেনা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিমমেট মেক্সৱেলনা পীরকপা বোল অমদা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মখাতানা শান্নরোয় অনীগী মশান্নদা টিনোনা অমুক্কা হন্না মেক্সৱেলগী পাসতা ৭৪শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।


শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা সেন্ট ইটিয়ননা ফংখিবা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা অদু দেনিস বোঙ্গানা চলহৌদবদগী পাঞ্জল মান্নবা ঙমখিদে। মায়পাকপদগী লিওন মেটচ ১০দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা থাক ৫ হাইগৎপা ঙমখি।

# বি সী সী আইনা ওষ্ট্রেলিয়া টুরগীদমক নৌনা শেমদোক্লবা ইন্দিয়াগী টিম মমিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা চৎকদৌরিবা টুর অদুগী নৌনা শেমগৎলবা টিমগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

বি সী সী আইনা ওক্টোবর ২৭তা রোহিট শর্মাবু টেষ্ট, ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) অমসুং টি-২০গী ফোর্মেট অহুম্মত্তা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম শোকপা মরম্না মমিং য়াওরুদ্রবনি। অদুবু ঙসি নৌনা থোকখিবা লিষ্ট অদুদা টেষ্টকী স্কৱাদতদি মহাক্কী মমিং নৌনা হাপচিল্লকখি।

বি সী সী আইগী মেদিকেল টিমনা রোহিট শর্মাগী হকচাংগী ফীভম কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। মশামক্কা ৱারী শানরবা মতুং ওল ইন্দিয়া সিনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিদা রিপোর্ট পীদুনা ও দি আই অমসুং টি-



২০গী মেটচশিং অদুদা রোহিট শর্মা পোথাহনগদৌরি।

পনবা য়াবদি, কেপ্টেন ভিরাট কোহলি এদলেটতা শান্নগদৌরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু লোইরবা মতুং বি সী সী আইনা মহাকপু পেটর্নিটি লিভ পীদুনা ইন্দিয়াদা হল্ল-ক্লগনি। সেলেক্সন কম্মিটিনা হন্দক্কী আই পি এলদা শরুক য়ারিবা সঞ্জু সেমসনবু অহেনবা ৱিকেট কিপ্পর অমা ওইনা ও দি আইগী স্কৱাদতা মমিং হাপখি। লোয়নন্না ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী সিনিয়র ফাষ্ট বোলর ওইরিবা হৌজিক-হৌজিক্কা বেঙ্গলুরুগী নেসনল ক্রিকেট একাদেমিদা রিহেবিলিটেসন তৌরিবা ইশান্ত শর্মা মহাক্কী ফিটনেস অদু মপূং ফারবদি ইন্দিয়াগী টেষ্ট স্কৱাদতা অদুম্মক য়াওরগনি।

মমাংগী টিম লিষ্ট লাউথোকপদা টি-২০ সেরিজগী ওইনা মমিং য়াওখিবা বরুন চক্রবর্টি আই পি এল শান্নরিঙৈ মনুংদা শোকপদগী মহাক্কী মমিং অদু অমুক লৌথোকখি। মহাক্কী মহুৎতা টি নটারাজনন্না য়াওরগনি। সিনিয়র ৱিকেট কিপ্পর ওইরিবা রিধিমান শাহথা অসিগী ৩দা শান্নখিবা মেটচতা হেমষ্ট্রিং তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মতাংদা অমুক নৌনা খন্নগনি হায়রি।

# মখূউদা ওপরেসন তৌখিবদগী বেয়র্ন ম্যুনিককী কিমিস জন্যুৱারী ফাওবা শান্নরোইদৌরি

ম্যুনিক, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙম্লিবা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিককী নহা ওইরিবা শান্নরোয় জোসুৱা কিমিস মখুউ শোকপদগী ওপরেসন তৌবা মরম্না মথং চহীগী জন্যুৱারী থা ফাওবা মহাক শান্নবা ঙম্লরোই হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, কিমিস থাংজ নুমীৎতা বুন্দেসলিগাগী মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী ষ্ট্রাইকর অর্লিং হলান্দগা বোল মুন্নবদা য়েৎ থংবা খূউ অদু শোকখিবনি। মহাক ঙরাং মায় পাক্না মখূউ অদু ওপরেসন লোইখ্রবা মতুং রিহেবিলিটেসনগীদমক্তা লৈরগনি হায়না ক্লব অসিগী স্পোর্টিং দিরেক্টর হাসন সালিহামিদজিকনা ফোঙদোরক্লি। কিমিসনা সিজন অসিদা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী মেটচ ১১ শান্নখিবদা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখিবগা লোয়নন্না অতোপ্পা ৭ অমনা মহাক্না সপ্লাই তৌরগা পাঞ্জল ওইহনখি। মহাক নেসন্স লীগকী মেটচ খরসু য়াওররোই।

BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR

CONDOLENCE MEETING

Imphal, the 9th November, 2020.



No.G/25/(1-2008)/1737: Shri Toijam Rajesh Singh, Peon of the Board of Secondary Education, Manipur expired on the 8th of November, 2020. A Condolence meeting was held on the 9th of November, 2020 at 1.00 p.m. in the meeting hall of the Board. All the employees of the Board expressed deep shock at his sudden demise and shared the grief and sorrow of the family. The employees of the Board observed two minutes silence in honour of late Shri T. Rajesh Singh, Peon and prayed for eternal peace for the departed soul.

*Sd/- Dr. Chithung Mary Thomas*
Secretary

HL-P/8013/10

a unit of
RaDiant Group
arambai2020

Arambai2020 B2B HUB
"buyer & seller circle"

Come all local entrepreneurs,
Indigenous food producers,
local farmers sell your products with us.

We will build your product brand value,
provide marketing
assistance & also buy your products.

It's a platform for mutual benefits & also
provide you financial benefits upto 10 lakhs.

"Let us grow together"

LOCAL FARMER
LOCAL ENTREPRENEUR
INDIGENOUS FOOD PRODUCER

6009952083 arambai20201@gmail.com arambai2020

HL-B/6504/8/11-4/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com